লমদমসিগী তুংলমচৎকী য়েংলগা ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংবু অফবা মহয় পীনবা হোৎনবা মথৌ তাই ঃ এম প্রেমচন্দ্র

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) : খুন্নাই অমা শেমগৎপদা ওজাশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই। লমদমসিগী তুংলমচৎকী য়েংলগা ওজাশিংনা ঐখোয়গী তুংগী যুন্বীরেল ওইরিবা মহৈরোয়শিংবু অফবা মখলগী মহৈ-মশিন পীনবা হোৎনবা মথৌ তাই। করিগুম্বা পীহৌদ্রবদি খুন্নাই অসি অৱাফমদা তাগনি হায়না জোন-২ গী জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসর এম প্রেমচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

লুৱাংশংবমদা লৈবা স্রিভান হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা শিন্দুনা ‘সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি ফোর সষ্টেনেবল ফ্যুচর’ হায়বা থীমদা মল্টিদিসিপ্লিনরি স্কুল এগজিবিশনগী থৌরম অমা ঙসি মহৈশঙ অসিদা পাঙথোকখ্রে। পাঙথোকখিবা থৌরমসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা এম প্রেমচন্দ্রনা থৌরমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা ওজাগী শিনফম অসি য়াম্না শিংথানিংঙাইহনি। ওজাশিংগী থৌদাং অসি য়াম্না য়ুনিক ওইবা শিনফম অমনি।

ওজাশিংনা অফবা এদ্যুকেসন পীহৌদবা তারবদি তুংদা হৌরক্কদৌরিবা মীরোলদা অৱাবা হায়বদু ওইহৌগনি। হৌখিবা মতমদা অশোয়বা লৈখিবনা ঙসি ঐখোয়না অৱাবা মায়োক্নরিবনি। মহৈশঙসিনা ঙসি পাঙথোক্লিবা এগজিবিশন অসিনা মহৈরোয়শিংদা মখোয়গী মশাদা লৈরিবা হৈ-শিংবা তোঙান তোঙানবা স্কিলশিং অমদি ৱাখল লৌশিং হেনগৎহনবা ঙম্লগনি।

থৌরম অসি য়াম্না ফবা খোঙথাং অমনি, প্লেটফোর্ম অসিদগী ষ্টেট অমদি নেসনল লেভেলগী থাক ফাওবা য়ৌবা ঙমগদৌরিবনি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাকসিদা নেসনেল এদ্যুকেসন পোলিসি (এন ঈ পি) হৌদোক্তুনা তুংগী যুন্বীরেল ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী স্কিল হেনগৎহন্নবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। ঙসি মহৈশঙসিনা অসিগুম্বা মখলগী এগজিবিশন অমা হৌদোকপসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি হায়খি।

থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখিবা মহৈশঙ অসিগী প্রিন্সিপাল আই উষারানিনা থৌরমগা মরী লৈননা হায়, লৈঙাক্না মহৈশঙশিংদা অফবা মখলগী টেক্নোলোজি পীদুনা অঙাংশিংবু অনৌবা মখলগী মহৈ-মশিন পীনবা হোৎনরি। লৈঙাক্কী মহৈশঙদা লৈরিবা ওজাশিংনা নিংথিনা অঙাংশিংবু তাকপী তন্বীরবদি মপুং ফানা মায় পাকপা ঙমগনি।

ওজাশিংনা অঙাংশিংবু ঐ মক্না পোকচবা ইচামক্লি খল্লগা মহৈ-মশিন তাপী তন্বীরবদি অফবা খুন্নাই অমা ওইবা ঙমগনি। ঙসি পাঙথোক্লিবা এগজিবিশন অসিগী পান্দমদি অঙাংশিংগী উৎথোকপা ঙমদনা লৈরিবা হৈথোই-শিংথোইবা অদু উথোকপা ঙম্নবগীদমক্নি।

মহৈশঙ অসিনা পুথোকখিবা মহৈরোয় কয়া নেসনলগী থাক্তা য়ৌখিবা য়াওখ্রে। ওজা অমা ওইনা তুংগী যুন্বীরেল ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংবু নীংথিনা তাকপী তন্বীদুনা তিঞ্জং কায়জংদা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখিগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা মহৈশঙ অসিগী মেনেজিং কম্মিটিগী এন জি উপেন্দ্রোনচিংবা মরুওইবা মীওই কয়াগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মহৈশঙশিংদগী লাকপা মহৈরোয়শিংসু শরুক য়াখি।

স্পাইস হোটেল কম রিজোর্ট হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী অহানবা ওইনা সেমিনার, ৱার্কশোপ, বার্থ দে পার্টি, সোসল গেদরিং অমদি ফেমিলি গেদরিংনচিংবা পাঙথোকপা য়ারগদবা স্পাইস হায়না মিংথোনবা হোটেল কম রিজোর্ট অমা ৱাংজিং পি এস কা মায়োক্নুনা লৈবা ৱাংজিং কৈথেলদা ঙসি শৈশকপী অমসু ওইরিবী মমিং লৈরবী ফিল্ম এক্ট্রেস সুশমিতা মংসাতাবমনা হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সুশমিতানা অথোইবা মীথুং, ৱাংজিং লমদিং বজার শোপ কিপর এসোসিয়েশনগী ইগজিক্যুটিব মেম্বর এল অশোক কুমারনা থৌরম মপু অমদি থবক্তগী পোথারবা সী এম ও ডা. কে এস ঐচ মংলেমনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা সুশমিতানা ফোঙদোকখিবদা ঐহাক্কী পূন্সিদা শৈশকপী অমা ওইনা মপান লমদা কোয়না চৎলকপা মতমদা লৈফম লৈতদুনা মীগী য়ুমদা চংদুনা লৈরকখিবা অমদি মীগী ইমুংদা লৈশিল্লুবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নুখি। ঙসি হাংদোক্লিবা হোটেল কম রিজোর্ট অসিনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী দিষ্ট্রিক্টসিদা লাকপা মীওইশিংনা লৈফম লৈতবগী খুদোংচাদবা কয়া অদু কোকহনবা ঙম্লগনি। হোটেল অসি মায়কৈ অসোমদা হেন্না চাওখৎপা ওইরসনু হায়খি।

হোটেল কম রিজোর্ট অসিগী চিয়রমেন এন বাবুলিননা ফোঙদোকখিবদা দিষ্ট্রিক্ট অসি ফাওদুনা চৎলিবা নেসনল হায়ৱে ১০২ না লিলোংদগী থৌবাল কৈথেল ফাওদুনা খোঙজোম ফাওবগী মরকসিদা মীয়াম তিনবা য়াবা অমদি অহিং য়ারেকপা য়াবা মতিক চাবা হোটেল অমা ফাওবা লৈতবা অসিনা মমাংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লুখিবা লৈখ্রে। পুম্নমক অসি য়েংলগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লাকপা মীয়ামগীদমক খল্লগা হোটেল কম রিজোর্ট অসি হাংদোকপনি হায়খি।

সেলিন দিজিটেলগী ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) : সেলিন দিজিটেলগী ১৭ শুবা ফাউন্দেসন দে ঙসি সেলিন দিজিটেল মিনি ষ্টুদিওদা পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর ক্ষেত্রিময়ুম জেমসগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরমসিদা ষ্টোর ওফিসর বি এস এ সেলিন বি সান্তি, এফ পি ও সেলিন দিজিটেল কে এস ঐচ জেমস অমদি ষ্টেট কো-ওর্দিনেটর এ জিতেননা মীফমলোয় ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা সেলিন দিজিটেলগী চিয়রমেন ডা. ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল লৈঙাক্কী মতেংগা লোয়ননা সেলিন দিজিটেল অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মীয়ামগীদমক মতম মতমগী ওইনা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লকপদা কনাগুম্বা অমত্তদগী সেলিন দিজিটেলনা মতেং লৌবা লৈখিদে।

মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌরকপা চহী ১৭ মপুং ফারকপসিদা নুংঙাইবা ফাওই। ঐখোয়না মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম পাঙথোরকপদা অশোয় অরান য়াওরকপা মতমদা মীয়াম্না চুমথোকপীয়ু হায়খি।

[illegible]

[illegible]

পাদাগী প্লে ‘চৈনা’ উৎলগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) : লাক্লিবা নবেম্বর ১ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ক্রিটিক্স ফোরম মণিপুরগী মপোক নুমিৎকী থৌরমগা মরী লৈননা পিপলস আর্টস এন্দ দ্রামাটিক এসোসিয়েশন (পাদা) টৌপ খোংনাংমখোঙগী প্লে ‘চৈনা’ য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা মণিপুর দ্রামাটিক হোলদা উৎলগনি।

পাদাগী সেক্রেটরি ৱারেপ্পম রতননা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা থৌরম অসি মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী ইন্দিয়ন কাউন্সিল ফোর কলচরেল রিলেশন (আই সী সী আর) অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকপনি হায়রি।

থাঙ লৈতেং উৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) : সোসল ৱেলফেয়র এন্দ কলচরেল দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এস দব্লিউ এ সী দি ও) না ২০২৪-২৫ কী নৌনা পুথোকপা ‘থাঙ লৈতেং’ ওর্গনাইজেসনসিগী পার্ফোমিং স্পেস, চরাংপাৎ ময়ায় লৈকায়দা ঙসি উৎখ্রে। থাঙ লৈতেং উৎপগী থৌরম অদুদা থৌবাল কোলেজগী ষ্টেটিষ্টিক্স দিপার্টমেন্টকী রিটয়ার্দ লেকচরর সোরোখাইবম জয়চন্দ্রনা অথোইবা মীথুং, মণিপুর ইন্টরনেসনেল য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. য়ুম্লেম্বম বিদ্যানন্দনা অখন্নবা মীথুংলেন অদুগা ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্ট কলচরেল এক্টিভিষ্ট সোরোখাইবম গগনচন্দ্রনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সোরোখাইবম হেন্থোই অমদি সোরোখাইবম লিন্থোই অনীগী গ্রুপ দান্স উৎতুনা মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিনখি হায়না ওর্গনাইজেশন অসিগী সেক্রেটরি এস ববিনাগী চেরোল অমনা হায়রি।

হৈবোক চীং দিমার্কেশন তৌবদা লংথবাল চীংথক চীংখা অমদি খৌপুম খুল য়াওফম থোক্তে ঃ মৈবোন ফাওমৈ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ইন্দিজিনস কাংলুপকী মনুং চন্না লৈরিবা জেলিয়াংরোং, রোংমৈ অমদি কবুই অসি মণিপুরগীদমক্তা লেপ্তুনা লাক্লিবা ফুরুপ্নি। মণিপুরদা নিংথৌ পানবা ৩৩ এ দি দগী হৌদুনা লৈরক্লবা ফুরুপ্নি। মফমশিংসি কুমজা ১৭০৯ দগী ১৭৪৩ ফাওবদা গরিবনিৱাজনা লংথবালদা নিংথৌ ওইনা পানবা মতমদগী হৌনা লৈরকখিবনি।

লংথবাল চীংথক-চীংখা অমদি লংথবাল খৌপুম চীং খুলনচিংবা মফম অসি মতম অদুগী মণিপুর নিংথৌগী হাক্তক্তগী লৈরক্লবনি হায়না জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর ভেলি (জেদ য়ু সী এম ভি) গী প্রসিদেন্ট মৈবোন ফাওমৈনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি খুমন লম্পাক্কী মনিংদা লৈবা মৈবোন ফাওমৈগী যুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়, মহারাজ চুরাচান্দগী কুমজা ১৯৩৪ গী নবেম্বর ২৪ দা লংথবাল চীংথক-চীংখা অমদি লংথবাল খৌপুমনচিংবা অসি মণিপুর দরবারগী মেমো নম্বর ২৮০৩ অসি দরবার লোয়শঙনা পীরম্বনি। অদুবু হৈবোক চীং অসি রেভিন্যু খুল নম্বর ৬৮ অসিদা লৈহনখিবনি। মরকসিদা হন্দক মণিপুর লৈঙাক্না হৈবোক চীংবু রিজার্ভ ফোরেষ্টনি হায়না লাউথোকপা অসিদা অঙকপা পোকই হায়রি।

হায়রিবা খুল ৩ অসি মতম কয়াগী মমাংদগী মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লৈরক্লবনি অদুবু লাইবক থীবদি মণিপুর লৈঙাক্না হৈবোক চীং অসি রিজার্ভ ফোরেষ্ট ওইনা লাউথোরকপা অসি য়ানিংদে।

হৈবোক চীং অসি রিজার্ভ ফোরেষ্ট ওইনা লাউথোক্কনু হায়বা নত্তে, লাউথোক্লগসু লংথবাল চীংথক-চীংখা অমদি খৌপুম অসি য়াওহনফম থোক্তে। হায়রিবা খুল ৩ অসি দিমার্কেশন তৌনবা হায়দুনা ৱাঙ্গোই ফোরেষ্ট সব-দিভিজন কাংবুনা নোটিশ থোক্লিবসি য়ানিংদে। খুল ৩ অসি করিগুম্বা ইভিক্সন তৌদুনা তান্থোক্কদবা ওইরবদি মণিপুর মীয়ামগী অয়াবা লৈবরা। লৈরগদি মখোয় মশানা খঙনা ইভিক্সন তৌদ্রিঙৈদা খুল থাদোক্তুনা চৎচগে হায়খি।

ইথক-ঈরাং য়াওদনা নিঙোল চাক্কৌবা পাঙথোক্লসি ঃ এম পি পি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) : নিঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা মবুং-মৌপ্পা মচে-মচলগী নুংশিবগী মরী হেন্না চেৎশিলহনবা ওইরসনু হায়না য়াইফ-পাউজেল পীবগা লোয়ননা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা নিঙোল চাক্কৌবা অসি অরং-অরাক, ঈথক-ঈরাং য়াওদনা পাঙথোকমিন্নরসি হায়না মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) গী প্রসিদেন্ট এস ব্রোজেননা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লমদমসিদা মমাং চহীগী মে ৩ দগী ঙসি ফাওবা চথুরিবা ঈরাংসিনা মরম ওইরগা নিঙোল চাক্কৌবা মমাং চহীগী ওইনা পাঙথোক্ক খিদে। চহীসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা নিঙোল চাক্কৌবা অসিদি মবুং-মৌপ্পা ওইবশিংনা ইচে-ইচলদা খুদোল পীবদা হিদান্নবগী থৌওং থাদোক্তুনা ইরমদমগী পোথোক্না অচম্বা খুদোলপোৎ পীরসি।

লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা ইনমেটশিংনা পুথোক্লিবা পোৎ-চৈশিং লৈদুনা ইচে-ইচলশিংদা খুদোলপোৎ তম্লসি। মসিনা ইনমেটশিংগী শোন্থনা লৈরিবা শেন্মিৎলোন খরদা ওইরবসু ফগৎহনবা ঙমগনি। থৌওংসিনা লমদম অসিদগী মপান্দা চৎখিগদবা অচৌবা শেনফম অমসু কনবা ঙমগনি হায়রি।

কুন্মৈ অসিগা মরী লৈননা দুকান ফম্লিবশিংনা পোৎকী মমল হেনগৎনা য়োনবীগনু। মসিগী মতাংদা লৈঙাক্না অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা পোৎকী মমল কন্ট্রোল তৌগদবনি হায়রি।

EMPLOYMENT NEWS

1. UBI Local Bank Officer Recruitment 2024: Apply Online for 1500 Posts - Notification
Union Bank of India Local Bank Officer 2024-25: The Union Bank of India (UBI), A Government of India Undertaking invites online applications from any Graduate Indian Citizens for recruitment of 1500 Local Bank Officers (equivalent to Probationary Officer) in various branches of Union Bank of India, All Over India. The UBI Local Bank Officer Vacancy 2024 Online Registration start from 24th October 2024 to **13th November 2024**.
* Eligible Candidates should apply online through UBI Local Bank Officer 2024 - IBPS Online Application Portal. The candidates should fill basic, personal and educational details.

2. UIIC AO Recruitment 2024: Online Apply for 200 Vacancies - Notification
UIIC AO Notification 2024 for the recruitment of 200 vacancies in Generalist and other disciplines. The United India Insurance Company Limited (UIIC) (a Government of India Undertaking), Chennai, invites online applications from eligible Indian citizens for the recruitment of Administrative Officer (AO) posts in the Generalist, Risk Management, Finance and Investment, Automobile Engineers, Chemical Engineers / Mechatronics Engineers, Data Analytical Specialists and Legal disciplines. The UIIC AO Apply Online 2024 schedule will start on 15th October and registration scheduled to end on **5th November 2024**.
* Eligible and Interested Candidates should apply online through UIIC IBPS Online Application Portal at **www.uiic.co.in**

3. COH Gujarat Staff Nurse Recruitment 2024: Notification for 1903 Posts, Online Form
Government of Gujarat, Commissioner of Health (COH), Medical and Medical Education (Medical Services), Gandhinagar has published recruitment notification for the post of Staff Nurse Class-III for filling up 1903 vacancies on 05 years probation period in in government hospitals and public health centers under its jurisdiction. Eligible Interested Nursing graduates or GNM candidates apply online through Gujarat Online Job Application System (OJAS) from 5th October 2024 to **3rd November 2024**.
* Eligible Interested candidates may apply online through Gujarat Online Job Application System (OJAS) website.

4. NFL Non Executive Recruitment 2024 Apply Online | 336 Vacancies
NFL Non-Executive Recruitment Advertisement No.: 05 (NFL)/2024 for 336 Vacancies: National Fertilizers Limited (NFL) Recruitment of Non-Executives (Workers) in various Technical, Accounts and Para Medical Disciplines. Online applications are invited from energetic, young & qualified Indian Nationals for recruitment to following Non – Executive (Worker) level positions for various Units/ Offices of NFL. The last date for submission of online applications is **8th November 2024**
* Eligible and interested candidates are required to apply online through **nationalfertilizers.com** official website

5. ITBP Constable Driver Recruitment 2024: Apply Online for 545 Vacancies
ITBP Recruitment for the post of Constable Driver 2024-25. The Indo Tibetan Border Police Force (ITBP), Government of India invites online applications from eligible Male Indian Citizens (including subject of Nepal and Bhutan) for fill up total 545 vacancies of Constable (Driver) Group 'C', Non Gazetted (Non-Ministerial) positions on temporary basis likely to be permanent in ITBPF. Eligible candidates apply online via ITBP Recruitment Portal recruitment.itbpolice.nic.in from 8th October 2024. The last date for registration of online applications is **6th November 2024**.
* Eligible candidates should apply online through ITBP Recruitment Portal (**recruitment.itbpolice.nic.in**) from 8th October 2024. The candidates must create New Registration to apply any ITBP Job Vacancies.

CROSSWORD-4295



ACROSS

1. Brooms made of twigs(6)
4. Channel port(6)
8. Academy award(5)
9. Boasted(7)
10. Futile(7)
11. Female relative(5)
12. Lawyer(9)
17. Incorrect(5)
19. Satan(7)
21. Long(7)
22. Allowed to enter(3,2)
23. Die(6)
24. Courageously(6)

DOWN

1. Explode(4,2)
2. Victory(7)
3. Signalling code(5)
5. Opposed(7)
6. Corner(5)
7. Unhappier(6)
9. Fundamentally(9)
13. Of less weight(7)
14. Disproved(7)
15. A dozen(6)
16. Spirit distilled from wine(6)
18. Confess(3,2)
20. Large stringed instrument(5)

Solution of 4294

I	D	L	E	■	M	E	R	C	H	A	N	T
M	■	A	■	Z	■	A	■	R	■	U	■	I
M	I	T	T	E	N	S	■	A	N	G	E	L
A	■	I	■	B	■	T	■	N	■	M	■	L
T	E	N	O	R	■	E	L	E	V	E	N	■
U	■	■	■	A	■	R	■	■	■	N	■	W
R	E	F	U	S	E	■	S	T	A	T	U	E
E	■	L	■	■	■	F	■	A	■	■	■	S
■	N	A	U	S	E	A	■	R	I	V	A	L
A	■	N	■	T	■	T	■	T	■	I	■	E
L	I	N	E	R	■	H	E	A	R	S	A	Y
A	■	E	■	U	■	E	■	R	■	I	■	A
S	O	L	I	T	A	R	Y	■	E	T	O	N

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-5657

			5				8	
						6		9
	3	9	8		7			
			1	8				
5		6	3				2	1
	2							
			6		5	2	1	7
	7	4				9	5	
							6	

Solution of 5656

3	5	6	2	8	1	4	9	7
1	2	9	4	3	7	8	6	5
4	7	8	5	9	6	3	2	1
8	6	2	7	1	5	9	3	4
9	4	5	8	6	3	7	1	2
7	3	1	9	4	2	6	5	8
2	9	7	6	5	4	1	8	3
6	1	4	3	2	8	5	7	9
5	8	3	1	7	9	2	4	6

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers



CHANAKYA IAS ACADEMY
Nurturing Leader of Tomorrow
SINCE-1993
CHANAKYA IAS ACADEMY
THE ONE & ONLY NATIONAL BRAND OF NORTH-EAST
MPSC MAINS - 100 hrs
SUPER BATCH
Preparation through Question Answer Analysis Method
for ESSAY + GS I + GS II + GS III + GS IV
+ Answer Writing Technique
Stand Out In The Crowd
Class Starting from 4th Nov. 24 ADMISSION OPEN
South Babupara Airtel Building Imphal 6909907134
All Prominent & Experienced faculties of Delhi are
Now in IMPHAL!
COMPLETE SOLUTION FOR UPSC CSE PRELIMS+MAINS+INTERVIEW
- Who have Delivered Thousands of Results in Civil Services Exams
HL-B/9074/24 Sept to 31 Oct



CHANAKYA IAS ACADEMY
THE ONE & ONLY NATIONAL BRAND OF NORTH-EAST
UPSC IAS/MPSC
FOUNDATION BATCH
TARGET 2025/2026/2027
FOR 1ST YR | 2ND YRS | 3RD YRS & ABOVE
CHANAKYA
IAS ACADEMY
Nurturing Leaders of Tomorrow
SINCE-1993
Optional class Starting on 4th Nov '24
* PSIR * HISTORY * GEOGRAPHY
* PUB AD * SOCIOLOGY * ANTHROPOLOGY
Booking Open !
Evening Batch (3.40 - 5.40 PM): 4th Nov'24
South Babupara Airtel Building Imphal 6909907134
All Prominent & Experienced faculties of Delhi are
Now in IMPHAL!
- Who have delivered thousands of results in Civil Services Exam !
HL-B/9105/10 Oct to 8 Nov.




অদুগা মহাক ফমুংদা চঙদুনা তুমখিরম্মী।
উচিশিংদুসু নাশোন পিক্লা ইমুংদা চঙলক্লম্মী।
ইতাওশিং তেন্সি ঐখোয় চিকথৎলসে।